থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# কর্নাটকাগী মথঙদদি - ২০১৯ মহাভারত !



মহাভারত - ২০১৯ হায়নসু শৈথানরিবা, ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী *পার্লিয়ামেন্তরি জেনরেল ইলেক্সন* অসিগী কৌরব-পান্দব ওইদৌরিবা বি জে পি অমদি কোংগ্রেস অনীমক্কী মরায়বক লেপ্লফমনি হায়নখিবা কর্নাতকাগী এসেমব্লি ইলেক্সনগী ফল মে ১৫ গী নুমিদাংৱাইরমদা খঙলকখিবদগী ইন্দিয়ন পোলিতিক্স নৈনবা কাঙবুশিংনা খ্বাইদগী লাংতক্রুবা মীকুপ অমা থুংলখি - কর্নাতাকাগী গভর্নরনা করি ফিরেপ লৌরক্কদগে ? এসেমব্লি সিত ২২২ দা মীখল পাঙথোকখিবনিনা, সরকার শেম্নবা তঙায়ফদবা এম এল এ মশীংসি ১১২ নি। মশীং অসি, মীখল থেংনরিবা মরু ওইবা পার্টি অহুম্মক্কা ফংবা ঙমখিদে। বি জে পিনা ১০৪, কোংগ্রেস ৭৮, জনতা দল (সিক্যুলার) না ৩৭, অতোপ্পনা ৩ ফংনখি। কনামত্তনা গভর্নমেন্ত শেম্বা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈনখিদে। লৈঙাক পায়রগা থেংনবা মীখল ওইবনা কোংগ্রেসনা খনখি - মেজিক নম্বর অদু ফংদুনা অমুক হন্না পায়গনি। অদুমক্কা মখোয়না জে দি (এস) প্রি-পোল এল্লায়েন্স শেমহৌদবনি। মীখলগী ফল লাউথোক্লবা মতুংদা লাউথোরকখি খুদক্তা, মখোয়গী ওইনদি নিংথৌগী লুহুপ অদু জে দি (এস)তা নান্থোক্লে, মখোয় উপকে হায়ররোই। কুমারশ্বামিদা ঊপ্পদু মখোয় ৭৮ খুবাক খুদুন শৌগৎপা মখোয়না খল্লি- গোআ অমদি মণিপুরদা থোকখিবা মওংশিংদু নীংশিলগা তঙায়ফদবা মশীং সুনা ফংদ্রবা বি জে পিদা লৈঙাক শেম্নবা তাবদা অদু গভর্নরনা পীখিরোই। অদুবু, কর্নাতকাগী গভর্নর *বজুভায় বালা* - ১৯৯৬, দেবে গৌদানা প্রাইম মিনিস্তর ওইরিঙৈ, গুজরাত বি জে পিগী প্রসিদেন্ত ওইনা থৌ পুরম্বা মোদিদা লোয়েল-ওইজবা, নজমা হেপতুল্লাহগুম্না বি জে পিদা ঙাওজবা মীশক অমনি হায়বসিমদি কোংগ্রেসমেনশিংনা কাউথোকখিবরা ? বি জে পিনা সিঙ্গল লার্জেস্ত পার্টি অমা ওইজরবসু কোংগ্রেস নত্রগা জে দি (এস) কী এম এল এ খরা লৈরগা শম্বল চোংহনবা নত্তনা গভর্নমেন্ত শেম্বা ঙম্বগী পাঙ্গল অদু বি জে পিদা লৈতে হায়বদি মখোয়তা নত্তে, অপঙ-অশিঙ লোইনমক্কা খঙই। ৱাৎলিবসি নিপাননি। লেমহৌবা অহুমদু লৈরবসু মঙা ৱাৎলি। মঙাদু থেম্নবগী মতমনি, য়েদ্যুরপ্পনা গভর্নরদা, সরকার শেমগে ক্লেম তৌবদা নুমিৎ ৭ নি নিখিবা। বজুভায় বালা - কয়াদা পুকচেল চাউখ্রবা! নুমিৎ তরেৎ নিবদা তরামঙানি পীখিবা।

য়েদ্যুরপ্পাবু গভর্নমেন্ত শেম্নবা চেবাউ পীদুনা কৌরে তাবদা তূম্বা য়াদ্রবা কোংগ্রেস লুচিংবশিং, তারিখ ১৬ কী অহিং নোংয়াই মতুংদা সুপ্রিম কোর্তগী থোঙ থীল্লুই। পুং ২ গা মিনিৎ ১৫ লেপ্তুনা মরৈ য়েৎনরবা মতুংদা, নোংঙাল্লমদাই পুং ৫ মিনিত ৩ চৎপদা সুপ্রিম কোর্তগী ৱায়েল লাউথোরকই - গভর্নরনা লেপখিবা বি এস য়েদ্যুরপ্পাবু কর্নাতকাগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌনবা মে ১৭, অয়ুক পুং ৯ গী মতম লেপখিবদুদা কোর্তনা খূৎ থিংজিল্লোই। ৱায়েলদুনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিবু শাউহনখি। থীন্থদনা লাউথোরকই - দেমোক্রেসি চৎপা লৈপাক অমদা, লৈপাক্কুগী জ্যুদিসিয়েরি, দিক্তেতর অমনা চলাইবা লৈপাকশিংদা, দিক্তেতর-শিংদুনা অপাম্বা মওংনা শীজিন্নবগুম... *পাকিস্তান অমদি অফ্রিকাগী লৈপাকশিংদা শীজিন্নবগুম শীজিন্নরক্লে*...।

লোয়র কম্যুনিতি, জ্যুদিসিয়েরি থীন্থদনা রিএক্ট তৌরকই ... *মায়থীরবা পোলিতিকল পার্তি অমগী নীংবা কায়রবা লুচিংবশিংগী ৱাকৎ ইন্দিয়ন জ্যুদিসিয়েরিনা তাবীরিবগুম পাকিস্তানগী জ্যুদিসিয়েরিনা তাবীগদ্রা? ... কোংগ্রেস পার্টিগীদমক ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা অহী-নোংয়াই-মতুংদা কোর্তরুম হাংদোক্কুনা পুং অনী হেন্না হিয়ারিং চথবসি পাকিস্তানদা তৌখ্রবরা ?*...।

অসিগুম্বা তাবদা নুংঙাইবা অৱায়-অকুম, কোংগ্রেস অমদি বি জে পি অনীগী লুচিংবশিংগী মরক্তা তৌনবা - লাক্কদৌরিবা নুমিৎ-থা খরসিদা তৌনরক্কদৌরিবা। মরমদি, কর্নাতকা লৈঙাক অসি করিগুম্বা বি জে পিনা মখা তানা পায়থখিবা তারবা, কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈবা ষ্টেট অসি অহুমখক ঙায়হৌরগনি - পঞ্জাব, মিজোরাম অমদি পোন্দিচেরি। ২০১৯ দা থেংনগদৌরিবা মহাভারত- করম্না লান্থেংনগদৌরি? লুরবা ৱাহং অমনি। কর্নাতকা কোংগ্রেসনা হায়রি - গভর্নরগা লৌতুনরগা শেম্বা গভর্নমেন্ত ! শেমজসনু, পুং ৩৬ কী মনুংদা থুগাইগে। কনানা ঙম্বগে ? য়েংবা তারি - কোংগ্রেস ? নত্রগা বি জে পি?

পোলিতিক্স ইজ এ দতি গেম ! রাজনিতি হায়বসি অমোৎপা মশান্না অমনি হায়বা ৱা অদুগী খল্লুরবদি - বি জে পিনা তৌরিবা অসিসু করিমত্তা লান্দে। তৌফম থোকপদুনি। কনাগুম্বনসু হায় - কোংগ্রেসনা ঙসি ইকাই ফিরুক খুন্নিবসি মখোয়না চহী ৫৫ হেন্না লৈঙাক তৌরকখিবদুগী মহয়নি। বি জে পিগী পোফমসিদা মখোয়না লৈরন্লবা, বি জে পিনা তৌরিবসি মখোয়নসু তৌরমগনি। কর্নাতকাগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমসিদা কোংগ্রেস অমদি বি জে পি মফম ওন্থোক্লুরন্লবসু, গভর্নরনা বি জে পি - জে দি (এস) অনীগী অন-হোলি-এল্লায়েন্স অদুদা সরকার শেমহল্লমগনি, মণিপুর-গোৱাগী ফোর্মুলা শোয়দনা পানশিল্লমগনি। সিদা করি ঙক্লিংঙাই-শাউনীংঙাই লৈবগে ? য়েদ্যুরপ্পাগী সরকার, মখা তাহনবা নত্রগা থুপচিনবা! কোংগ্রেস অমদি জে দি (এস)কী অপূনবা শক্তম ঙাকপা ঙম্বা নত্রগা ঙমদবগী মখা পোল্লি। মমল পীদুনা লৈবদা মশাবু য়োন্থোকখিগদবা এম এল এ কনা কনানো ? মমিঙ মথা চপ চানা হায়ঙমদ্রবসু, করম্বা রিজন (মফম)গী এম এল এশিংদা মীৎয়েং থল্লক্কদগে হায়বদুদি মখোয়তা নত্তে ঐখোয়সু খঙই খরমখৈ - নোর্দর্ন অমদি কোস্তেল কর্নাতকা ! মদুদুম চেকশিন্নবা হোৎনহন্নীংই।

মুন্না খনজিল্লুরগা, ২০১৯ - মহাভারততুগীদমক হেন্না লুরিবদি বি জে পিনি। মখারোমদা কর্নাতকা নত্তনা অতৈ ষ্টেট অমত্তদা খোঙদাফম লৈতে। তেলেগু দেসমগসু কায়নরে, সিব সেনাগসু মরী ফত্তে। কোংগ্রেস পার্টিনা যু পি এগী এল্লায়েন্সকা থার্দ ফ্রন্তকী কাঙবুগা য়াশিন্নবা হেক ঙম্লবা! থাজবীয়ু-এন দি এগী ফিভম লুবনি।

লৌশিং পুক্কে

# মীয়ায় চল্লকপদা হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি তুংদা অলঝিমর'স নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ

পুন্সি তঙ্খায় চল্লকপা, হায়বদি চহী ৫০ শুরকপগী অদুৱাইদা হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি অহল ওইরগা অলঝিমর'স দিজিজ (এ দি) নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

'মোলিক্যুলর সাইকিয়াট্রি' জর্নেলদা ফোঙলকপা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়, বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) য়ুনিট অমা হেনগৎলকপা মতমদা থা তরুক মখায় ঙনখৎনা এ দি নারকপা য়াই। বি এম আই হায়বসি কনাগুম্বা অমগী মরেপতা হকচাংগী অরূম্বনা য়েনথোকপদা তারকপা মশীং অদুনি।

ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মীয়ায় চল্লকপদা বি এম আই চপ চানা লৈবা মীওই খুদিংমক তুংগী পুন্সিদা এ দি নারকপা য়াবগী রিস্ক হন্থে। রিছার্চরশিংনা চহী ১৪ রোম চঙনা মীওই ১,৩০০ গী বি এম আই চাং নাইনা ওন্দুনা য়েংলম্মী। হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীওই ১৪২ দি মশাগী চহী ৮৩ শুরকপদা অলঝিমর'স দিজিজ (এ দি) নারকপা থেংনখি।

খ্বাইদগী তোয়না থেংনবা ৱাখল লায়না মখল অমা ওইরিবা এ দিনা নারবা মীওই মিলিয়ন ৫০ রোম মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈ হায়না ৱর্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। চহী খুদিংগী লায়না অসিনা নারবা মীগী মশীং লাখ ৭৭ লোম হেনগৎলকই হায়রি।

কুমজা ২০১৪ দা দব্লিয়ু ঐচ ওনা মালেমদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ৭ কী ফীভম য়েংশিনবদা মীয়ায় চল্লবা মীওই বিলিয়ন ১.৯ লোমগী হকচাংগী অরূম্বা হেল্লি হায়বা খঙলকখি। ষ্টসিদা শরুক য়াখিবা যু এস নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওন এজিংগী মাধব থেম্বিসেটিনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমা মশাগী চহী ৫০ শুরকপা মতমদা বি এম আই য়ুনিট অমখক হেনবা তারবদি থা তরুক মখায় ঙনখৎনা এ দি নারকপা য়াই হায়বা খঙলে। বি এম আই য়ুনিট অমা হেনগৎলকপা খুদিংগী ব্রেনদা ন্যুরোফাইব্রিলারি টেঙ্গল মশীং হেনগৎলকপা মরম্না অলঝিমর'স দিজিজ ওইহল্লকপনি। মালেমগী ওইনা য়ানরবা হকশেল কাঙলোন মতুংইন্না বি এম আই ২৫ নৎত্রগা মসিদগী হেনবা মীওইশিংবু ওভরৱেথ ওইরে হায়না লৌনৈ। বি এম আই ৩০ দগী হেল্লগনা ওবেজ ওইরে হায়না লৌই।

মীওই অমগী কিলোগ্রামদা ওনবা হকচাংগী অরূম্বদা মীওই অদুগী মিটরদা ওনবা মরেপকী শরুক অনীনা য়েনথোকপদা তারকপা মশীং অদু বি এম আইনি। তুংগী পুন্সিদা থোরকপা য়াবা অমাঙ-অতা পুম্নমক মাঙজৌননা খঙদোকপা মরম্না ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি য়াম্না মরুওইনা লৌনরি। অমরোমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর (যু এস দি এ) না চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, হক্কী ঈশিং মনম নল্লগা কনাগুম্বা মীওই অমবু অলঝিমর'স দিজিজ নারক্কদ্রা হায়বদু খঙবা ঙম্লে। ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা ব্রুস কিম্ব্রৈঠলনা হায়খি, হক্কী ঈশিংদা তোপ-তোপ্পা মনম অমা নম্বা মীওইশিং অহল ওইরক্লুগা অলঝিমর দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা কেস ৱেষ্টর্ন রিজার্ভ য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ মেদিসিনগী ন্যুরোসাইন্টিষ্ট দানিয়ন ৱেসননা হায়খি, মখল অমত্তগী ঈ টেষ্ট তৌদ্রবসু হক্কী ঈশিং মনম নল্লগা কনাগুম্বা মীওই অমবু তুংদা অলঝিমর'স দিজিজ নারক্কদ্রা হায়বদু ইরায় লায়না খঙবা ঙম্লগনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি 'সাইন্টিফিক রিপোর্টস' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙদোকখিবনি।

অলঝিমর'স দিজিজ হায়বসিনা দিমেন্সিয়া কৌবা ৱাখল লায়না মখল অমা ওইহল্লক্রবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা মরম ওইরি। দিমেন্সিয়ানা নারবা মীওইশিং কাউগল্লি। ৱাখল খনবা ঙমদে অমসুং মশামক্কা হৌজিক্তা ঙাঙখিবা ৱা ফাওবা মশানা নীংশিংবা থোক্তে। ডা. এলোইস অলঝিমরনা ইহান হান্না থেংনরকখিবা লায়না অসি ব্রেনগী ওইবা অনাবনি। ব্রেনদা প্রোটিন তুংশিল্লকপদগী 'প্লেগ' অমসুং 'টেঙ্গল' কৌবা ষ্ট্রকচর ওইরক্লুনা নর্ভ সেলশিং অমগা অমগা শম্নবা ঙম্লক্তে। মতমদুদা নর্ভ সেলশিং শিখিবদগী ব্রেন টিস্যু তপ্পা তপ্পা মাঙথরকই। অলঝিমর'স দিজিজনা নারবা মীওইশিংগী ব্রেনদা মরুওইবা কেমিকেল খরা তপ্পা তপ্পা চাং হন্থরকই। মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা কেমিকেলশিং চাং হন্থরকপদগী মপুং ফানা সিগনেল থাদোকপা ঙমহন্দে।

অলঝিমর'স দিজিজদি নোংমগী অসুম অসুম ফীভম হেঞ্জিল্লকই। হিপোকেম্পস কৌবা ব্রেনগী শরুক অমদা শোকহল্লকপা মরম্না হৌজিক্তা তৌখিবদা ঙায়রিবা থবক ঙাইহাক্কী মতুংদা কাউখিগনি। নুমীৎ খুদিংগী ঊনরিবা মীগী মমিং ফাওবা নীংশিংবা ঙমহন্দে। ফীভম হেঞ্জিনখ্রবদি লায়না অসিনা নারবা মীওইশিং ৱারী শানবা য়ারক্তে। মশাগী ৱাখলনা শাগৎপা থৌদোক কয়া অচুম্বা ওইনা লৌরকপদগী ঙাঙন-শক্লবা য়ারক্তে। ফীভম হেঞ্জিনখ্রবদি চাগনি-থক্কনি হায়বা খঙলক্তে। করিগুম্বদনা চাক চাবা তোকপা কুইদ্রিঙৈদা চাক চাদ্রি হায়না মরৈ কংয়েৎ য়েৎলকপা য়াওই।

লায়না অসি মাঙজৌননা ঙাকথোক্নবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদি মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা, যু থক্তবা অমসুং হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবা অসিনচিংবনি।




# লৈঙাক্লা এমপ্লোয়িশিংগী তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে পীথোকউ : য়ুনিয়ন



ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :

জেএসি এমটুক অমদি এমজিওনা চথরিবা থবক লেপ্পগী খোঙজং অসিবু শৌগত্তুনা ঙসি লম্ফেলদা লৈবা দাইরেক্তরেট ওফ সেট্টমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দ এমপ্লোয়ি য়ুনিয়নগী মেম্বরশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা ওফিস অসিগী কমপ্লেক্সতা এমপ্লোয়িশিংনা ৱাখৎ মীফম চথখ্রে।

অয়ুক পুং ১১ তাবদগী নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারবা য়ুনিয়নগী মেম্বর কিয়ুলেমাং গাংমৈনা ফোঙদোরকপদা মণিপুর লৈঙাক্লা এমপ্লোয়িশিংগী পীফম থোকপা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে অসি অথুবা মতমদা ফংহনবীয়ু হায়রি। য়ুমথংনবা ষ্টেটকী এমপ্লোয়িশিংনা ফংখ্রবা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা পীথোকপীদনা ওৎলৈ-পারৈ তৌদুনা লৈবা অসি য়ানিংদে। জেএসি, এমটুম অমদি এমজিওনা চথরকপা থবক লেপ্পগী খোঙজং অসি ঙসিগা থানা নুমিৎ ৫৭ রোম শুরে। এমপ্লোয়িশিংগী দিমান্দ অসি ফংফম থোকপা দিমান্দনি।

পোৎ-চৈগী মমলসু নোংমা নোংমগী অসুম ৱাংখলকপনা তলব মচা চাবা এমপ্লোয়িশিংদা খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা প্লে কার্দশিংদা ইখিবা ৱারোলশিংদি তরেৎশুবা পে পীগদবনি, ঐখোয়গী দিমান্দদি তরেৎশুবা পেনি হায়বনচিংবা ইখি।

# জে এ সিগী খোঙজং অপুনবা নুপী লুপ খুরাইনা শৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএন এস) :

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ইম্ফাল ইষ্ট সগোলমাং খেৱাদা শানবা মণিপুর লৈঙাক্লা কুমজা ২০১১ গী দিসেম্বর ১৬ তা উরেপ উয়ুং তমখ্রবা মতুংদা অনৌবা লৈঙাক্লা অমুক অতোপ্পা মফমদা অমুক ইনৌ নৌনা উরেপ উয়ুং তমখিবদগী সাইখুল অমদি খুন্দ্রাকপম এসিগী মীয়াম্না হোসিপটাল অসি হোংখিবা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চথরকপা ঙসিগা থানা নুমিৎ ৪৫ রোম শুরে।

মরকসিদা জে এ সি এগেন্সন্ট অননেচরেল শিপর্টিং ওফ দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ইম্ফাল ইষ্ট, সগোলমাংনা লৈঙাক্কী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মেগী ১৯ অয়ুক পুং ৫ দগীনা মথং নুমিৎ মে ২০গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা পুং ৩৬ কী মণিপুর পুম্বদা টোটেল সুটদাউন্দগী খোঙজং চথনবা জে এ সিনা লাউথোকখ্রে।

জে এ সিনা কৌখিবা পুং ৩৬ কী টোটেল সুদ দাউনগী খোঙজং অসি অপুনবা নুপী লুপ খুরাইনসু শৌগৎকনি হায়না ৱারেপনখ্রে। নুপী লুপ খুরাইগী কনভেনর সিনাম মুক্তারৈনা ঙসি খুরাইদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা হায়, কুমজা ২০১১ গী দিসেম্বর থাদা সগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবা উরেপ উয়ুং তমখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা মফমদা অমুক হোংনবা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা খোঙথাং অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইজরবসু হৌজিক্কী তৌরিবা থৌওং অসিদি দিমোক্রেসিগী মিংদা কিহন্দুনা লৈঙাক্লে। মরম অসি লৈবনা মীয়াম অসিনা খাঙবা ঙম্লক্তবদগী তঙাই ফদবা মীয়ামগী খুদোংচারোইদবা কয়াদু খঙন-খঙনা লৈঙাক অসিগী মথক্তা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।



# মখোঙ অনী ককখ্রবা মাইকেল লৈঙাক্লা থবক অমা পীরকপদা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :

লল্লাই পুলিস ষ্টেসনগী পৌরাবীদা কুমজা ২০০৭ দিসেম্বর ১৬ তা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মখোঙ অনীমক ককখ্রবা কৌন্থৌজম মাইকেল মীতৈ (২৯) অপোকপা কে মোহন কৌই। মহাকপু মনিপুর লৈঙাক্লা থবক অমা হাপ্পীরকপা অদুগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা ঙসি মহাক্কী পোক্নফম লমদম ৱাখোং মখা লৈকাইদা লৈবা য়ুমদা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

পীস এন্দ দেভলপমেন্ট কোওদির্নেতিং কমিতিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহাক্না মীয়ামদা ফোঙদোকখিবদা বোম পোকখায়বদগী মখোঙ অনীমক য়াওদ্রবা মতুংদা খুৎশেমগী মখোঙ হাপ্তুনা চৎথোক-চৎশিন তৌখি। মহাক্না লাই য়েকপগী শিনফমসিদা ইম্ফাল চৎথোক-চৎশিন তৌবদা গাড়িগী বারা লৈতবা, ফুরিৎফাওবা লিৎনিংঙাই লৈতবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্নখি। মহাক মচিল মনাও নুপী অহুমগী মনুংদা মহাক মথন্তা য়াওবনি। লাই য়েকপগী চাংদম্নবা কয়াদা শরুক য়াবগা লোয়ননা মনা কয়া ফংখি। মহাক্না য়েক্লিবা অয়াম্বা লাইশিং অদু মরু ওইনা বোম পোকখায়খ্রবা মতুংদা থেংনরুবা শক্তমশিং, শান্তিগী পাউজেল পীবা অমদি নুপী অঙাংদা মীওৎ-মীনৈ চথবগী মতাংদা য়েংকপনা অয়াম্বনি।

মহাক্না হিংলিঙৈ মতম অসিদা খুন্নাই অসিগী অফবা থবক খরদি তৌনিংই। মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক এক্স চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীগী মতমদা মহাক্না থবক অমত্তং পীবিনবা হায়জখি। লোয়ননা মতম অদুদা মিনিষ্টর ওইরম্বা হৌজিক্না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা এন বিরেননা কৌরগা জেনিমস হোস্পিটালদা থবক অমা তৌনবা মরী লৈনবা চে চাংশিং থাগৎহনখি। অদুবু হোস্পিটালদা চ্যেরমেন ওইরিবা এক্স চীফ মিনিষ্টর খনবীরকখিদে। মদুগী মতুংদা মখা তানা অমুক এক্স চীফ মিনিষ্টরদা থবক অমা পীবিনবা হায়জরুবদসু তাবিরকখিদে হায়রি।

নীংহন্নবা লৈতনা মখা তানা লাই য়েকপগী শিনফম অসিদা পুক্লিং চঙনা য়েকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা কমপিটিসন কয়াদা শরুক য়াখি। ষ্টেট অমদি নেসনেলগী থাক্তা ফাষ্ট পোজিসন অমদি গোল্ড মেদলনচিংবা কয়া লৌরকখি। কুমজা ২০১৪/১৫ দা সি সি আর টি, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ন্যু দিল্লিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পেন্টিংদা জুনিয়ার ফেলোসিপ অৱার্দ ফংখি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীয়ামগী উন্নবা থৌরমদা মহাক্কী থবক অমা পীবিনবা হায়জখিবদগী অনৌবা লৈঙাক অসিনা কেবিনেট মীফম অমা ফন্নগা থবক অমা হাপ্পীবা অসিদা ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা থাগৎপা ৱারোল পীরদুনা পি দি সি সিগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ হেমজিৎনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা খুদোংথিবা অমদি অৱা-অনা তারবা মীওইদা মমাঙগী লৈঙাক্তা থবক অমা পীয়ু হায়জরুবদা তাবিদবদগী নীংবা কায়না লৈরম্বা মাইকেল অনৌবা লৈঙাক্লা থবক অমা পীবিবা অসিদা মফম অসিগী মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টরবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।



# তুরেলদা লুপখিবা অঙাং শিনা ফংলে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএন এস) :

শীংজমৈ ৱাইখোম লৈকাই মপাদা ইম্ফাল তুরেলদা বোল তাখিবদগী থা অসিগী ১৫ গী অয়ুক পুং ৭ রোম তাবদা ঈশিংদা লুপখিবা নুপামচাদু ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবা মতমদা অশিবা হকচাং ওইনা বাশিখোং থোংখোংদগী ফংলে।

অশিবা হকচাং অদু ঙসি অয়ুক লম্বী চৎপা মীওইশিংনা থেংনরকপনি। মহাক্কী মমিং নিংথৌজম মহেস (১৪) অপোকপী ওইনাম নিঙোল নিংথৌজম ওংবী মেমতোম্বী কৌ। মহাক শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবনি। অশিবা হকচাং অদু মফম অদুগী মীওই খরনা লৌখৎলগা ইমুং মনুংগী মীওইদা খুৎশিন্নখি।

পুলিসনা অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা হায়বদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা পোষ্ট মোর্টেম তৌজররোই হায়বদগী পুলিসনা হকচাং অদু খুৎশিন্নরবা মতুংদা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

# য়াইফ থৌনি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএন এস) :

তখেল ফিল্মসনা অহানবা ওইনা পুথোক্কদবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম *পান্দম অমদা*গী য়াইফ থৌনি থৌরম অমা ঙসি খুরাই কোংপাল চিনগাংবম লৈকাইদা লৈবা ফিল্ম অসিগী প্রদুশর সারোজাগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে। ফিল্ম অসিগী দিরেক্তরনা ও গৌতম, ৱারি অমসুং স্ক্রিনপ্লেনা লাইশ্রম সন্তোস অমসুং মোমোচানি। ফিল্ম অসিদা মরু ওইবা শক্তম লাংগদৌরিবা আর্টিষ্টশিংদি বোনি তখেলময়ুম, রাজু নোং, ময়া চৌধুরি অমুসং অরচানা কোন্সমনি। ফিল্ম অসি অথুবা মতমদা নম্বা হৌদুনা চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা মীয়ামদা খুদোল তমগনি হায়রি।

# 'ককচীং মীয়ামগী হোৎনজমলগী মহৈনি'

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :

মিনিষ্ট্রি ওফ হাউসিং এন্দ আরর্ব্বান এফিয়ার্সকী মখাদা স্বাছ ভারত মিসনগী শরুক অমা ওইনা স্বাছ সুর্বেক্সন ২০১৮ গী ফল লাউথোকপদা নোর্থ ইষ্ট জোনগী ওইনা মণিপুরগী ককচিং সিতিনা খ্বাইদগী লু-নানবা সিতি অমা ওইরে হায়না লাউথোরকপা অসি ককচীংগী মীয়ামগী হোৎনজমলনি হানা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন নাওরেম সঞ্জিৎকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

ককচীং সিতিনা খ্বাইদগী লূ-নানবা সিতি অমা ওইরে হায়না লাউথোরকপদা হরাও নুঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা নাওরেম সঞ্জিৎকুমারনা হায়, ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক (নোর্থ ইষ্ট) জোনগী ওইনা সিতি ১৬৪গী মনুংদা মণিপুরগী ককচিংনা খ্বাইদগী লূ-নানবা সিতি অমা ওইরে হায়না লাউথোরকপা অসি য়াম্না নুঙাইবা ফাওই। ককচীংগী মীয়াম, কৈথেলদা দুকান ফন্নিবশিং, পোৎফম ফন্নিবশিং, কাউন্সিল অসিগী কাউন্সিলরশিং, ৱার্দশিংগী ৱার্দ দিভেলপমেন্ট কমিতিগী মেম্বরশিং, মহৈরোইশিংগী লুপশিংনা ককচিংবু তারু-তনানবা সিতি অমা ওইহনদবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোননা মাংদা থমদুনা হোৎনবিখিবা পুম্নমক অদুগী মহৈনি। মসিদা মতেঙ পাঙবীরকখিবা ককচীংগী এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্র, ককচীং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসপুসু ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মায়কৈদগী তৌবিমল খঙবসু উৎলকখি।

চ্যেরপার্সন নাওরেম সঞ্জিৎকুমারনা মখা তারদুনা হায় লুবা-নানবা হায়বা অসিনা হকচাং নাদা য়েক্তনা থম্নবা হোৎনবদা য়াম্নমক মরু ওইবা অমনি। মখা তারকপদা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা ককচীং সিতিবু তরু-তনাননা থম্নবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলকপদা মীয়াম্নসু মখা তাবা মতেঙ পাঙবীদুনা হেন্না লু-নানবা ককচীং সিতি অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি। অমরোমদা ককচীংগী য়ুম্লক্তা পিট (কোম) থমদবা ওকোনশিংদা ওক লোয়বীরিবা ইচিল ইনাওশিংনসু য়ারিবমখৈ য়ুম কৈদগী খরা লাপথোক্না লৈবা অহাংবা লমহাংদা ওক লোয়নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মীয়ামগী পুক্লিং চিংশিল্লক্লি।

ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এগজ্যুকেটিভ ওফিসার সুরঞ্জয় সিংহ লাইশ্রম, মণিপুর ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেটিভ সার্ভিস (এম এম এ এস)না ফোঙদোরকপদা নোর্থ ইষ্ট জোনগী ওইনা মণিপুরগী ককচীং সিতিনা খ্বাইদগী লূ-নানবা সিতি অমা ওইরে হায়না লাউতোরকপা অসি নুঙাইবা ফাওই। চাংদম্নবা অসি মার্ক ৪,০০০ গী ওইনা চাংদম্নবনি। মদুগী মনুংদা মার্ক ১,৪০০ অমনা সিটিজেন ফিদবেকনি। মখা তারকপদসু অৱাং নোংপোকখক্কী নত্তনা ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা মকোক ওইনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোরকখি।



HL-B/4571/18/4-16/5(Alt.)